# হুইয়েন লানপাও

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses





কৌব্রু অমসুং থাংজিং চীং কল্লু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন ওফ দি হিষ্টোরিকেল রাইট ওফ কৌব্রু এন্দ থাংজিং হিলস রেঞ্জনা মীয়ামগা লোয়ননা এসেমব্লি তম্না লাকখিবা ৱাকৎ খোঙচৎ

মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনগদবা চরুদা চেঙ্গুম থাদুনা শেল ওন্থোক্লকসি
☛ লামায় ৪

এক্সিদেন্টতা থা ৩গী অঙাং অমা শিরে
☛ লামায় ৪

মণিপুর কঞ্জার্ভেসন ওফ পেদ্দিলেন্দ এন্দ ৱেটলেন্দ এক্ট চৎনহল্লু
☛ লামায় ৫

লৈঙাক্লা দ্রগ কিং পিন অমত্তা চৈরাক পীখিবা লৈত্রি
☛ লামায় ৫

য়াইস্কুল ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা অন-কনষ্টিট্যুসনল ওইবা মওংদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইরম্বা এম এল এ ১২ দিসক্কালিফাই তৌগদবনি হায়দুনা ৱাকৎ মীফম ফমখিবা





Vol. 44, Issue No. 314 | শগোলশেল, ৱাকচিংগী থাশু | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, February 11, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## বিল ৪ পাস তৌখ্রে, অমনা রিফর তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচএনএস) :

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ঙসি চথখিবা ১২শুবা এসেমব্লি সেসনদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী বিল ৫ পুথোকখিবগী মনুংদা ৪না পাস তৌখ্রে। অদুগা অমনা মখা তানা খন্নবগীদমক রিফর তৌখ্রে।

হাউসনা পাস তৌখ্রবা বিলশিং অদুদি, দি মণিপুর গুদস এন্দ সর্ভিসেস টেক্স (থার্দ এমেন্দ-মেন্ট) বিল, ২০২১ (বিল নম্বর ১৩ ওফ ২০২১); দি মণিপুর ফিসকেল রেপোন্সিবিলিটি এন্দ বজেট মেনেজমেন্ট (সেকেন্দ এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০২১ (বিল নম্বর ১৪ ওফ ২০২১); দি এসিয়ন ইন্তরনেস্নেল য়ুনিভর্সিটি, মণিপুর বিল ২০২১ (বিল নম্বর ১ ওফ ২০২১) অমদি দি মণিপুর প্রাইভেট য়ুনিভর্সিটিজ বিল ২০২১ (বিল নম্বর ২ ওফ ২০২১) নি। অদুগা দি মণিপুর এগ্রিকলচরেল প্রদক্স এন্দ লাইভষ্টোক মার্কেটিং (প্রামোসন এন্দ ফেসিলিটেসন) বিল, ২০২১ (বিল নম্বর ৫ ওফ ২০২১) না হাউসতা পুথোল্লবা মতুং মখা তানা খন্নবগীদমক বিল অসি হিলস এরিয়া কম্মিটিদা রিফর তৌখি।

## এক্তিভ কেস মশীং ৫০ য়ৌদ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচএনএস):

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস থেংনবগী চাং খঙহন হন্থরক্তুনা এক্তিভ কেস মশীং ৫০ য়ৌদ্রে। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৮.৫৫ য়ৌরে।

কোভিদ-১৯ কন্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১১ নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। কেসশিং অসি শিজ হোস্পিটালদা ২, তমেংলোংদা ১, চুড়াচান্দপুরদা ১ অমসুং চান্দেলদা ৭ থেংনখিবনি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টতগী ১, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ১, থৌবালদগী ১, ককচিংদগী ১, তেংনৌপলদগী ১, তমেংলোংদগী ১, ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# চীং-তম হায়নবগী মহুৎতা মণিপুর মপুং ফানা হিল ষ্টেট ওন্থোকপনা হেন্না ফরগনি : সী এম

**মৈতে ফুরুপপু সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্নবা খন্নবগী মতাংদা লৈঙাক্না মতম য়াম্না শাংনা লৌমনখ্রে : কে মেঘচন্দ্র**








ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচএনএস) :

ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭১ (সী), ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল, হিল এরিয়া কম্মিটি অমদি তম্পাক লমগী তোঙান-তোঙানবা পোলিসি কয়াগী মতাংদা চম্মবগী ৱাফম কয়া লৈরিবা অসি য়েংলুরগদি চীং-তম হায়নবগী মহুৎতা গভর্ণমেন্ট অসিনা মণিপুর অসি মপুং ফানা হিল ষ্টেট অমা ওইনা ওন্থোকপনা হেন্না ফরগদ্রা খল্লি হায়না ঙসি চথখিবা এসেমব্লিগী বডজেট মীফমদা ওপোজিসন পার্টিনা পুখৎলকপা মোসন ফোর দিসএপ্রুভেল ওফ পোলিসি কটকী খন্নরকপা মতমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

হাউসকী লিদরসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মখা তানা হায়খি, ওপোজিসন পার্টিনা পুখৎলক্লিবা ৱাফমশিং অসি তশেংনা খন্ননিংঙাই ওই। অদুবু লিশাং-শিংনা চৎনদনা লাকখিবা ওইবনা খুদক্কী ওইবা সোল্যুসন পুরকপা ৱাগনি। মরম অদুনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা কন্সটিট্যুসনেল এক্সপার্ট টিম অমা শেমগৎতুনা রিওর্গনাইজ তৌনবা হোৎনবা অমা চঙলি। মণিপুরগী দিভলপমেন্টকী মতাংদা খন্নরকপা মতমদা চীং-তম হায়বা ৱাফম অসি ফাওবা হায়নিংদ্রে। মদুগী মহুৎতা মফম-মফমদা খুন্দারিবা ফুরুপ অদুগী মমিং পল্লগা ওইনা ৱারী শাবনা ফরগনি। মরমদি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা হেন্না নকশিন্নবা পুরকপা ঙম্মবনি। লোয়ননা মেজর বোব খটিং ম্যুজিম অমদি লাইব্রেরি শেমগৎনবগীদমক লুপা ক্রোর ৩ হন্দক্কী বডজেটতা হাপখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী এসেমব্লি বডজেটকী ক্বেসন অৱরগী মতমদা এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা মৈতে ফুরুপপু সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্নবগী রেকমেন্দেসন থাননবগী মতাংদা করি দিভলপমেন্ট লৈরবগে হায়না হংখিবা ষ্টার ক্বেসনগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, ষ্টেট অসি তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা পুন্না খুন্দাদুনা লৈমিন্নবা লমদম অমা ওইবা মরম্না মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ট্রাইবতা চনবা হায়বসিদা পামদবা মীওই কয়া অমসু লৈরি। তশেংনা মৈতে ফুরুপনা সেদ্যুল্ড ট্রাইব ওইবা হায়বসি তুংগী ওইনা য়েংলুরগদি য়াম্না ফবা পোৎশক অমনি। মরমদি মৈতে হায়রিবা ফুরুপ অসিসু ঙসি প্রোটেক্সন তৌবগী তঙাইফদবা লৈরে। ষ্টেট অসিদা লৈমিন্নরিবা তোঙান-তোঙানবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২



# মণিপুর হায় কোর্টনা অথুবা মতমদা দিস্পোজ তৌরগনি হায়খ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচএনএস):

কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লীগী ১১শুবা মীখলদা ইম্ফাল ইষ্টকী ১৫-ৱাঙ্খৈ এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদগী কোংগ্রেসকী টিকেটতা রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরকখিবা ওক্রম হেনরি (৩২), অপোকপা লৈখিদ্রবা ও লুখোই, মন্ত্রিপুখ্রিগী মথক্তা ইলেক্সন অদুদা মহাক্না লম্বা তৌনখিবা বি জে পিগী মীরেপ য়ুমখাম ইরাবোত (৭৭), অপোকপা লৈখিদ্রবা ৱাই অঙাংয়াইমা, খুরাই অহোঙ্গৈগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অদু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা অথুবা মতমদা দিস্পোজ তৌরগনি হায়খ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ৱাফম অসি থা অসিগী ২দা ইলেক্সন পিটিসন অদুগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-১ ওইরিবা ওক্রম হেনরিগী মায়কৈদগী মহাক্কী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসন অসি রিপ্রজেন্টেসন ওফ দি পিপলস এক্ট, ১৯৫১গী সেক্সন ৮৬(৬)না পীবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না নুমীৎ খূদিংগী ওইনা লৌখৎতুনা খন্নবীয়ু হায়দুনা থারকখিবা এপ্লিকেসন অমা কোর্ট অসিনা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা ফোঙদোকখিবনি।

ও হেনরিনা ফাইল তৌরকখিবা এপ্লিকেসন অদুগী মতুংইন্না কোর্টনা মসিবু মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর- ৩ ওফ ২০২১ হায়দুনা লৌখৎখি। লোয়ননা মিসেলিনস কেস অসি থা অসিগী ৫দা জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চতা খন্ননবগীদমক লিষ্ট তৌখি।

কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা ইলেক্সন পিটিসন (ম্যেন ইলেক্সন পিটিসন) অসিগী পিটিস্নর ৱাই ইরাবোতকী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল অসেম মোহেন্দ্রোগী মায়কৈদগী ও হেনরিনা ফাইল তৌরক্লিবা মিসেলিনস কেস অসিগী তঙাইফদবা লৈতে। মরমদি রিপ্রজে-ন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট, ১৯৫১গী সেক্সন-৮৬কী মতুংইন্না ইলেক্সন পিটিসনশিংবু অকক্নবা মতম অমগী মনুংদা দিস্পোজ তৌননবা হায়দুনা লৈরিবনি হায়খি। লোয়ননা মহাক্কী ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## কৌব্রু অমসুং থাংজিং কল্লু হায়দুনা এসেমব্লী তম্না থোমজিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচএনএস):

কৌব্রু অমসুং থাংজিং কল্লু, লাইফম কয়া লৈরিবা চীং অনী অসি কন্ননবা এসেমব্লী সেসনদা ৱারেপ লৌ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন ওফ দি হিষ্টোরিকেল রাইট ওফ কৌব্রু এন্দ থাংজিং হিলস রেঞ্জনা মীয়ামগা লোয়ননা সেসনল হায়ৱে-৩৯দা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখিবগা লোয়ননা এসেমব্লী তম্না থোমজিল্লকখ্রে।

ৱাকৎ খোঙচৎ অদুনা এসেমব্লী তম্না লাকপদা চীংমৈরোং মপাদা থৎতুনা থল্লগা খোঙচৎ অদু মখা তানা চৎহনখিদে। খোঙজং অদুগা মরী লৈননা কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন ওফ দি হিষ্টোরিকেল রাইট ওফ কৌব্রু এন্দ থাংজিং হিলস রেঞ্জকী কনভিনর সাপমচা জাদুমনিনা হায়খি, লৈঙাক্লা কৌব্রু চীংদা লম হেক্তর ৪.২ অমসুং থাংজিংদনা লম হেক্তর ৪ হিষ্টোরিকেল প্লেস ওইনা য়োকখৎনবা লাউথোকখিবা লৈখ্রে। অদুবু কৌব্রুগী লাইফম ১৩ অমসুং থাংজিংগী হিষ্টোরিকেল প্লেস ওইরিবা লাইফম ৭ কোনশিনবা ঙমদে। মফম খরখক হেরিটেজ সাইট লাউথোকপনা কৌব্রু অমসুং থাংজিংগী লাইফমশিং কনবা ঙম্লোই।

মহাক্না মখা তানা হায়, কৌব্রু অমসুং থাংজিং চীং হায়বসি য়েহ্লৌমীশিংগী য়েক শলাইশিংগী হৌরকফম ওইদুনা পুৱারীগা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## চীংগী মফম খরদনা দিভলপমেন্টকী থবক পায়খৎলে খরদনা শুকপায় পায়খৎত্রে : কোরুংথাং

**ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অসি মুখৎপনা হেন্না ফরগনি : কে রঞ্জিৎ**





ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচএনএস) :

চীংগী মফমশিংদা দিভলপমেন্টকী থবক অসি মফম খরদনা পংপাইদা পায়খৎপা অদুগা মফম খরদনা থবক অমত্তা পায়খৎত্রে। থৌওং অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। লোয়ননা নৌনা শেমখিবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা মথৌ তাবা ওফিসশিংসু শাদ্রি হায়না ঙসি চথখিবা এসেমব্লি বডজেট সেসনদা দিমান্দ নম্বর ১৪- দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিল্স দিভলপমেন্টগী মতাংদা মোসন ওফ দিসএপ্রুভেল ওফ পোলিসি কটকী মতমদা এম এল এ কোরুংথাংনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, চীংগী লমদা পোপি পাম্বী কয়া য়ান্থৎলিবা অসি অমরোমদা ফৈ। অদুবু পোপি পাম্বী থাননবগীদমক উমং-ৱামং কয়া মশীং খঙদনা য়ান্থৎখিবা মরম্না চীংগী লমদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## এম এল এ ১২ দিসক্কালিফিই তৌনবা তকশিল্লক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচএনএস):

বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা অন-কনষ্টিট্যুসনল ওইবা মওংদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইরম্বা এম এল এ ১২ অথুবা মতমদা দিসক্কালিফাই তৌননবা য়াইস্কুল ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা তকশিল্লক্লি।

য়াইস্কুল ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ৱাংখৈ কোংবা শৌদোংবুং লম্পাক্তা এম এল এ ১২বু দিসক্কালিফাই তৌ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা ঈ সী আই, কোর্টকী ৱারেপ ঈকায় খুম্মৌ, ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসন খোঙ্গাওনগনু, ৱেক অপ ঈ সী আই, ওনর কোর্টস জজমেন্ট, ঈ সী আইনা করম্বা কান্দা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ১২ দিসক্কালিফাই তৌগদৌরি, অন-কনষ্টিট্যুসনল ওইবা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইরম্বা এম এল এ ১২ অথুবদা দিসক্কালিফাই তৌ হায়বা প্লে কার্দশিং শীজিন্নখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা য়াইস্কুল এ সীদগী কোংগ্রেস মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা হুইদ্রোম বিক্রমজিৎনা হায়খি, ইন্দিয়া অসি লো লৈতবা লৈবাক্তা মান্নরে। অন-কনষ্টিট্যুসনল ওইবা মওংদা এম এল এ ১২ পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইনা থবক পুহনখিবা অদু মণিপুর হায় কোর্টনা অরানবনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি। হীরমসিগী মতাংদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## চীফ মিনিষ্টরনা অহেনবা মতম পীয়ু হায়বা য়ানিংদে : এস টি দি সী এম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচএনএস):

মৈতে/মীতৈ এস টি ষ্টেটস দিমান্দগী মতাংদা এসেমব্লী মীফমদা চীফ মিনিষ্টরনা অহেনবা মতম পীয়ু হায়বা ৱাফম য়ানিংদে হায়না সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুর (এস টি দি সী এম)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এস টি দি সী এমগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি দল্লিয়ু আনন্দ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি ফমখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী মীফমদা মৈতে/মীতৈ এস টি ষ্টেটস দিমান্দগী রেকমেন্দেসন থাবীননবা থবক্তা করি দিভলপমেন্ট লৈরবগে হায়না ওপোজিসন এম এল এ মেঘচন্দ্রনা হংখিবা ষ্টার ক্বেসন অমগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা করিগুম্বা থবক অমত্তা পায়খৎত্রি, অহেনবা মতম খরা পীয়ু হায়খিবা য়ানিংদে। দিমান্দ অসি কুমজা ২০১২গী অরোইবা শরুক্তগী তান্দুনা লাকপনা চহী ৮ শুরক্লবনি। হৌজিক ফাওবদা ঈং-তপ্পা মওংদা মীওই লাখ-লাখনা শরুক য়াবা মীয়ামগী খোঙচৎ অনী য়াওনা খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা লাকপনি। অনীশুবা মীয়ামগী খোঙচৎ হৌখিবা কুমজা ২০১৯গী মার্চ ৩দা মীওই লাখ কয়ানা চৎখ্রবা মতুং মথংগী নুমীৎ মার্চ ৪দা মণিপুরগী এসেমব্লীদা এম এল এ মেঘচন্দ্রনা হীরম অসিগী মতাংদা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মরম চাই, মহাক মশাগী ওইনা য়ানিংই, খন্নরগা থবক্তা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭



## সুপ্রীম কোর্টনা পিটিস্নর মোহেন্দ্রোগী এস এল পি লৌখৎলগা নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে


এম এল এ লোকেশ্বর


থাংজম মোহেন্দ্রো

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচএনএস):

মণিপুর ষ্টেট এসেম্বলীগী কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা জেনরেল ইলেক্সনদা ইম্ফাল ইষ্টকী ১-খুন্দ্রাকপম এ সীদগী কোংগ্রেসকী টিকেটতা রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরকখিবা থোকচোম লোকেশ্বর (৫২), অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ নবকুমার, সগোলমাং মমাঙ লৈকায়গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অমগী ৱায়েল হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা চথরবা মতুংদা দিসমিস তৌদুনা দিস্পোজ তৌখিবগী মায়োক্তা সুপ্রীম কোর্টতা ফাইল তৌখিবা স্পেসল লীভ পিটিসন (এস এল পি)বু লৈবাক অসিগী এপেক্স কোর্ট অসিনা লৌখৎতুনা খন্নরগা মসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংদা নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা এম এল এ অসিগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অদুগী নম্বর-৩ ওফ ২০১৭নি। পিটিসন অসি পাঙথোকখ্রিবা মীখল অদুদা রিটর্ন কেন্দিদেট অসিগা লম্বা তৌনখিবা বি জে পিগী মীরেপ থাংজম মোহেন্দ্রো (৬২), অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ মাইপাক, হরাওরৌ ভিলেজদা লৈবনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। অদুবু ইলেক্সন পিটিসন অদু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লৌখৎতুনা মসিগী ৱায়েল থেঙ্খাং নাইনা চথরকখ্রবা মতুংদা ইলেক্সন পিটিসন অসিনা রিটর্ন কেন্দিদেট অদুগী মথক্তা তৌরকখিবা চার্জশিং অদুগী মতাংদা মচা খাইবা রুলিংশিং পীরদুনা পিটিস্নরগী এলিগেসনশিং অদু দিসমিস তৌবগা লোয়ননা ইলেক্সন পিটিসন অদু দিস্পোজ তৌখিবনি।

অদুম ওইনমক হায় কোর্টনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুবু পেন্দ্রবা ইলেক্সন পিটিসন অদুগী পিটিস্নর থাংজম মোহেন্দ্রোনা মসিগী মায়োক্তা সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা এস এল পি ফাইল তৌখিবনি। মহাক্না এপেক্স কোর্ট অসিদা ফাইল তৌখিবা এস এল পি অদুগী নম্বর স্পেসল লীভ পিটিসন (সিভিল)- ১৫৭০০-১৫৭০১ ওফ ২০২০নি।

হৌখিবা মমাঙগী কুমজা ২০২০গী অরোইবা শরুক্তা ফাইল তৌখিবা এস এল পি অসি ঙসি সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা কোর্ট নম্বর-১গী কোজ লিষ্টতা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখ্রে। চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা কোর্ট নম্বর-১ অসিদা য়াওরিবা অতোপ্পা জষ্টিসশিংনা জষ্টিস এ এস বোপান্না অমসুং জষ্টিস ভি রমাসুব্রমনিয়মনি। জষ্টিস অহুম অসিগী অপূনবা বেঞ্চ অসিনা পিটিস্নর থাংজম মোহেন্দ্রোগী এস এল পি অসি লৌখৎতুনা খন্নখি। লোয়ননা এস এল পি অসিগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিং য়াওনা রেস্পোন্দেন্টকী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## HL Poll

Q: National Highwaysingda pamdaba thoudok thokhandanaba securitygi matik chaba cheksin thourang loukhatle khanbra ?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Grade-3 amasung Grade-4 thabak loubaga mari leinana state recruitment board natraga commission semhanningbra ?

Yes 83% No 17%

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩১.০১ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৫.৯৬ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.৫২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.০৫

### অস! লোইরেহে!

- মমা, উপু অসে শেলনা চন্দ্রেমী কমদৌসিগে?



- হো, উপু অমা লৈরসে।

# মণিপুর পোনি কন্নবা হোৎনবদা লমদমসিগী মীপুম খুদিংমক্না থৌদাং লৌমিন্নসি: রোমি মৈতে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচএনএস):

মালেমগী ওইনা পোলো মশান্নদা মমিং লৈরবা মণিপুরগী পোনি ঙসিদি মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লাক্লে। লমদম অসিগী পুৱারীদিগী শগোন্নদুনা লাক্লবা মণিপুরগী পোনি কন্নবা হোৎনবদা লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না মমি থৱানগী চেয়রমেন রোমি মৈতৈনা ফোঙদোরক্লি।

থা অসিগী ২৮ নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা হৈঙাংদা লৈবা ইবুধৌ মার্জিং কমপ্লেক্সতা 'ঐখোয়গী পোনি' হায়বা ৱাফম অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট লেভেল পেন্টিং কম্পিটিসনগা মরী লৈননা ঙসি মমি থৱান ফাউন্দেসননা পিশুমদা লৈবা ফাউন্দেসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক-খিবদা, মালেম পুম্বনা খঙনরবা মশান্না অমা ওইরিবা ইন্টরনেস্নেল পোলো ইরমদম মণিপুরদগী হৌদোকখিবনি। মসিগীদমক লমদম অসিগী মীয়াম্না চাওথোকচরিবনি। মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী লীরবা পোলো শান্নফম ওইরিবা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা মালেমগী ফাওরবা পোলো প্লেয়র কয়া চহী খুদিংগী লাক্লি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৬




HL-B/6779/10th Feb. to 10 Mar.